


# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, THURSDAY, JULY 12, 2018 PAGE 7


*সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসনগী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর*

*ইন্দিয়াগী আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্লব অমা ওইরিবা ইষ্ট বেঙ্গলদা নৌনা সাইন তৌখ্রবা রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াখিবা কোষ্টা রিকাগী শান্নরোই মশাগী চহী ৩৪ শুরবা জোনি একোষ্টা জামোরা*

## *ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া*

## ইংলেন্দ অমসুং ক্রোএসিয়াগী সেমি ফাইনেল মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ ফাওবদা গোল অমমম চন্নরি



*ইংলেন্দগী মায়োক্তা ইক্কোলাইজর চনখিবা ক্রোএসিয়াগী ইভান পেরিসিকনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

*মোস্কো, জুলাই ১১ঃ*

ইংলেন্দ অমসুং ক্রোএসিয়ানা শান্নখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা লৈরি। মখা তাবা এক্সত্রা টাইম মিনট ৩০ দা নাকল অনীমক্তা মায় পাকপা ঙম্নদ্রবদি পেনাল্টি সুটআওটনা দিসাইদ তৌনগনি।

ক্রোএসিয়াগী টিম গ্রুপ ষ্টেজ দা মেটচ অমত্তা মায়থিদনা লাক্লগা মকোক ওইদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা দেনমার্কপু পেনাল্টি সুটআওটতা পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ক্বার্টর ফাইনেলদা ক্রোএসিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক রুশিয়াগা শান্নবদা মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবদা পাঞ্জল ২-২ দা মান্নদুনা লৈখিবদগী পেনাল্টি সুটআওটতা রুশিয়াবু মখোয়না পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি।

অমরোমদা ঙসিগী সেমি ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী লম্বা ওইখিবা ইংলেন্দ গ্রুপ ষ্টেজদা মেটচ ৩ শান্নবদা ২ মায় পাকপা অমদি মেটচ অমনা মায়থিরগা গ্রুপকী অনীশুবা পোজিসন তাদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকপনি।

ইংলেন্দনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা কলম্বীয়াগা লম্বা তৌনরকপদা মেটচকী অপীবা মতমদা পাঞ্জল ১-১ দা মান্নদুনা লৈখিবদগী পেনাল্টি সুটআওট তৌনরকপদা ইংলেন্দনা কলম্বীয়াবু ৪-৩ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকপনি।

ইংলেন্দনা ক্বার্টর ফাইনেলদা স্বিদেনবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল চঙলকপনি।

ইংলেন্দ অমসুং ক্রোএসিয়ানা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু হৌরকপদগী ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়বা ঙমদুনা এটেক চথখি।

শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা ফ্রি কিক অমা ফংখি। কিক অদু টিম অদুগী শান্নরোই কৈরোন ত্রিপ্পায়রনা কাওশিনবদা পাঞ্জল ওইদুনা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা ইংলেন্দগী মায়কৈদা এটেক চথদুনা পাঞ্জল হন্দোক্কবা হোৎনরকখি। অদুবু ইংলেন্দগী দিফেন্দরশিং অদুনা মায়োক্লবা টিমগী শান্নরোইশিংনা পুশিল্লকখিবা বোলশিং অদু নীংথিনা মায়োক্লদুনা পাঞ্জল হন্দাকহনবা ঙমদনা থমখি।

শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী কেপ্টেন হেরি কেননা পীরকপা পাস অমা টিমমেট লিঙ্গার্দনা তপথহৌবদগী পাঞ্জল চল্লবা য়াবা খুদোংচাবা অমা ইংলেন্দনা মাঙজখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু ইংলেন্দনা ক্রোএসিয়াবু ১-০ দা মাঙজিল থারগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈরিবা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্কবা ইংলেন্দগী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্দুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা এটেক চথদুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ৬৮ শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ইভান পেরিসিকনা ইক্কোলাইজর অদু চনখি।

মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদবদগী এক্সত্রা টাইমগী মিনট ৩০ দা মখা তানা মায় পাকপা ঙম্নবা গোল চন্নবা ঙমদ্রবদি পেনাল্টি সুটআওট তৌনরগা ফাইনেল য়ৌবা ঙন্বা টিম মশক খঙদোক্কনি।

## অকনবা ত্রেনিং চথদুনা ৬শুবা ৱার্ল্ড টাইটল লৌনবগী মীৎয়েং থল্লিঃ মেরি কোম

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১১ঃ*

অকনবা ত্রেনিং চথদুনা ৬শুবা ৱার্ল্ড বোক্সিং টাইটল লৌনবগী মীৎয়েং থল্লি হায়না মণিপুরদগী হৌখিবী নুপী বোক্সর এম সি মেরি কোমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবী এমসি মেরি কোম মথং থাদা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসকী বোক্সিং স্কৱাদদা পান্বোম শোকপনা মরম ওইরগা শরুক য়াখিদবনি।

মেরি কোমনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক হৌজিক অনাবা লৈত্রে মরম অদুনা মপুং ফানা ত্রেনিং চথদুনা চহী অসিগী নবেম্বর থাদা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শোয়দনা টাইটল লৌবা ঙমগনি হায়খি।

মেরি কোম মশামক ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগীদমক অকনবা ত্রেনিং চথদুনা টাইটল ফংনবা হোৎনরিবনি। চহী ৬। ৭ কী মমাঙদা পুং ২ দগী ৩ ফাওবা ত্রেনিং চথরম্বা অদু হৌজিক্তি মদুগী দরকার ওইদ্রে। মমাঙদা চথরম্বা ত্রেনিং অদু হৌজিক্তিঃ শুপ্নগী পুং অমদা লোইশিনবা ঙম্লে হায়নসু এম সি মেরি কোমনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মেরি কোমনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্তঃ ওস্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সরশিংনা মেডল অমত্তা ফংবা ঙমখিদবা অদু য়াম্না লাইবক থিবনি।

অদুবু ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সরশিংনা হৌজিক অকনবা ত্রেনিং চথরি। নুপী বোক্সরশিং অসিনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্লবদি ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস অসিদা শোয়দনা মেডল লৌবা ঙমগনি হায়নসু এমসি মেরি কোম্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বিএফআই) নসু নুপী বোক্সর অসিগীদমক অফবা থবক থৌরম তৌবিরক্লবসু মেরি কোম্না মখা তানা হায়খি।

মেরি কোম্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক্তিঃ মহাক্কী বোক্সিং কেরিয়র অসি তেনশিল্লক্লে। মরম অদুনা মতম খরা লৈরিবা অসিদা অকনবা ত্রেনিং চথদুনা মখা তাবা টাইটল লৌদুনা হেন্না শকখঙবা বোক্সর অমা ওইবা পাম্মী হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।



*মণিপুরগী নুপী বোক্সর এমসি মেরি কোম*

## হোম মিনিষ্ট্রিনা পাকিষ্টান এসিয়ান জুনিয়র রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াবগী ক্লিয়ারেন্স পীখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১১ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা থা অসিগী ১৭ তগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান জুনিয়র রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্ট্রিনা পাকিষ্টানগী রেষ্টলরশিংদা ক্লিয়ারেন্স পীখ্রে।

পাকিষ্টানগী কন্টিনজেন্টনা ইন্দিয়াদা লাক্কুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াবদা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা মখোয়না চৎথোক-চৎশিন তৌবগী অথিংবা লৈরিবশিং অদুদা হোম মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি পাকিষ্টানগী রেষ্টলরশিং অসি কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা এসিয়ান কেদেট চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্সনা অথিংবা থমখিবদগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াখিদবনি।

হোম মিনিষ্ট্রিনা ক্লিয়ারেন্স পীরকপা অসিনা পাকিষ্টানগী রেষ্টলরশিংনা ইন্দিয়াদা লাক্কুনা কম্পিট তৌরবা য়ারনি হায়না দব্লিয়ুএফআইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ভিনোদ টোমরনা ফোঙদোকখি।

পাকিষ্টানগী কন্টিনজেন্ট অসি ক্রাইম ব্রাঞ্চ অমনা য়েংশিল্লগনি। মখোয়না চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী পাঙথোকফম অমসুং লৈফম হোটেল নত্তনা অতোপ্পা মফমশিংদা চৎপগী অথিংবা লৈগনি হায়নসু টোমরনা মখা তাখি।

## য়ুনিফাইদ ফুটবোল কপতা শরুক য়াননবগীদমক স্পিসিয়েল ভারত টিম জুলাই ১৫ দা লমথারগনি

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১১ঃ*

থা অসিগী ১৭ তগী ২০ ফাওবা চিকাগোদা পাঙথোক্কদৌরিবা স্পিসিয়েল ওলিম্পিক্স য়ুনিফাইদ কপ্তা শরুক য়াননবা ভারত স্পিসিয়েল টিম থা অসিগী ১৫ দা লমথারগনি।

কম্পিটিসন অসি নুপী অমসুং নুপাগী টিমশিংদা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবনি। অদুবু ইনিদয়াগী ওইনদি নুপী ফুটবোল টিমখক্তমক শরুক য়াগনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিদা ইন্টিলেকচুয়েল দিসএভিলিটিগী শান্নরোই ৭ অমসুং মেনষ্ট্রিম এঠলিট ৫ না পুল্লগা শরুক য়াগদৌরিবনি।

স্পিসিয়েল ওলিম্পিক্স য়ুনিফাইদ স্পোর্টস অসিদা শরুক য়ানবগীদমক সেন্দ ওফ ইভেন্টতা ৱার্ল্ড টাইটল ৫ রক লৌবা ঙমখ্রবী মণিপুরদগী হৌখিবা এমসি মেরি কোম্না ফোঙদোকখিবদা কম্পিটিসন অসিদা ইন্দিয়াগী টিম শরুক য়াবা অসি চাওথোকচিংঙাইনি। এঠলিটশিং অসিনা ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্নবগীদমকসু মহাক্না থৌনা পীখি।

কম্পিটিসন অসিদা মালেমগী লৈবাক ৬ তগী টিম ২৪ না লম্বা তৌনগনি। মসিগী মনুংদা নুপী টিম ৮ অমসুং নুপা টিম ১৬নি। নুপীগী টিম্না শান্নরোই ৭ না শান্নগনি অদুগা নুপাগী টিম্না শান্নরোই ১১না ওইগনি।

## ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু, ঐচ এস প্রনোই অমসুং পরুপল্লি কাশ্যপ থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



*থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রবা ইন্দিয়াগী সিন্ধু, প্রনোই অমসুং কাশ্যপ*

*বেঙ্কোক, জুলাই ১১ঃ*

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা চথরিবা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্কুনা ইন্দিয়াগী সিঙ্গলস শান্নরোই পি ভি সিন্ধু, ঐচ এস প্রনোই অমসুং পরুপল্লি কাশ্যপ অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা নম্বর টু সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা বলগেরিয়াগী লিন্দা জেটচিরিবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-৮, ২১-১৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী ভি আর জাক্কা অহানবা রাউন্দদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী সায়াকা সাটোনা ২১-১৩, ২১-১১ দা মায়থিবা পীরমখি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা ৪শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোইনা স্পেনগী পাব্লো এবিয়ানবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৬, ২১-১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই অনীগী লম্বাদা মুষ্টোফাবু ২১-১৯, ২১-৮ দা মায়থিবা পীরম্বা কুনকোরোগা লম্বা তৌনরগনি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পরুপল্লি কাশ্যপনা কানাদাগী জেসন এন্থোনি সুবু ২১-১৫, ২১-১৭ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা হোং কোংগী শান্নরোই লি চিয়ুক লিয়ুবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ২১-২৩, ২১-১১, ২১-১৭ দা মায়থিবা পীরম্বা জপানগী কে সুনিয়ামাগা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সমির বর্ম ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক থাইলেন্দগী শান্নরোই টানোনসাক সেনসোম্বুন্সুকনা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৮, ২১-১৬ দা মায়থিবা পীরমখি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানকিরেদ্দি অমসুং আশ্বিনি পোনাপ্পানা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র কাহিয়োনো অমসুং কান্দোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৯-২১, ২১-১৪, ২১-১৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ইংলেন্দগী জি মেয়র্স অমসুং জে মুরগী পেয়রবু ২২-২০, ২১-১৮ দা থোইরম্বা জপানগী পেয়র কানেকো অমসুং মাটসুটোমোগা লম্বা তৌনরগনি।

মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী পেয়র এস শর্ম্ম অমসুং এ পারিখ ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা হোং কোংগী পেয়র মেক অমসুং য়িয়ুংগী মখূত্তা ১৯-২১, ১৫-২১ দা মায়থিহৌবদগী মথংগী রাউন্দ রাউন্দ য়ৌখিদ্রে।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র মনু অত্রি অমসুং বি সুমিত রেদ্দি টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ পেয়র চাইনিজ তাইপৈগী চেন অমসুং ৱাংনা ২১-১৮, ২১-১৫ দা মায়থিবা পীরমখি।

নুপাগী দলবসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী টি কোনা অমসুং এস শর্ম্মবু ৫শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী পেয়র লিয়াও অমসুং সুনা য়াম্না কোম্না ২১-৬, ২১-৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী পেয়র আর্জুন অমসুং শ্লোক অহানবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র নায়াকা অমসুং য়ুসুফনা য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ২১-১৮, ১৩-২১, ২১-১৬ দা থোইরমখি।

নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী পেয়র রাজু অমসুং প্রসাদপু য়াম্না অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং হোং কোংগী পেয়র চুং অমসুং টামনা ১৪-২১, ২১-১২, ২১-১৪ দা মায়থিবা পীরমখি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র এম জাক্কম্পুদি অমসুং পি এস রাম চাইনিজ তাইপৈগী পেয়র চেন অমসুং হুনা ষ্ট্রেট গেমনা ২৩-২১, ২১-৮ দা মায়থিবা পীরম্বদগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

## সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসননা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর মায়থিবা পীদুনা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



*নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিস (ওই) অমদি সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসন*

*লন্দন, জুলাই ১১ঃ*

সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোই কেভিন এন্দরসননা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু মায়থিবা পীদুনা ইংলন্দনদা চথরিবা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসননা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু য়াম্না অকনবা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা অমদা সেট ৩-২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অহানবা অমসুং অনীশুবা সেট স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ৬-২, ৭-৬(৭-৫) দা থোইদুনা সেট অনী মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা সেট অনী শোথরবা সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসননা থংনবা সেট অহুম ৭-৫, ৬-৪, ১৩-১১ দা থোইদুনা সেট ৩-২ দা মায় পাক্কুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১২শুবা সিদেদ সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা ২৪শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী কৈ নিসিকোরিবু সেট ৩-১ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখি।

অহানবা সেট জোকোভিসনা ৬-৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুনা জপানগী নিসিকোরিনা ৬-৩ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা সেট অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা নিসিকোরিগী সার্ভিস গেম ২ ব্রেক তৌদুনা ৬-২, ৬-২ থোইখিবদগী জোকোভিসন টুনামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা সেমি ফাইনেল চঙখি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অর্টেম সিটাক ৭শুবা সিদেদ পেয়র য়ুএসএগী জেক সোক অমসুং মাইক ব্রাইননা ৭-৬(৭-৪), ৭-৬(৭-৫), ৬-৭(৩-৭), ৬-৪ দা মায়থিবা পীরম্বদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা অমসুং কেটরিনা সিনিয়াকোভানা পোলেন্দগী এলিকজা রোসোলস্কা অমসুং য়ুএসএগী এবিগেল স্পিয়র্স লম্বা তৌনরগনি।

জেক রিপব্লিক্কী পেয়র বার্বোরা অমসুং কেটারিনানা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা জর্মনিগী টাটজানা মারিয়া অমসুং বৃটেনগী হিথর ৱাটসনবু ৩-৬, ৭-৬(৭-৫), ৬-৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা পোলেন্দগী এলিকজা অমসুং এবিগেলনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসপু ৭-৬(৭-৪), ৬-৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপীগী দবলসকী অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ পেয়র কানাদাগী গাব্রিয়েলা দাব্রোস্কি অমসুং চাইনাগী ঝু য়িফাননা ১২শুবা সিদেদ পেয়র য়ুএসএগী নিকোল মেলিসর অমসুং জেক রিপব্লিক্কী ক্বেটা পেস্কিগা লম্বা তৌনরগনি।

কানাদাগী দাব্রোস্কি অমসুং চাইনাগী য়িফাননা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ুএসএগী বেথানি মাটেক সেন্স অমসুং জেক রিপব্লিক্কী লুসি সফারোভাবু ৫-৭, ৬-৪, ৬-৪ দা থোইরম্বনি।

অমরোমদা য়ুএসএগী নিকোল অমসুং জেক রিপব্লিক্কী ক্বেটানা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ১৫শুবা সিদেদ রোমানিয়াগী কামেলিয়া বেগু অমসুং মাহেলা বুজার্নেস্কুবু ৫-৭, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।